# অজলান শাহ ২০১৭ : হরমনপ্রীটকী গোলনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইপোহ (মালেসিয়া), এপ্রিল ৩০ :

হরমনপ্রীট সিংহ অমসুং মন্দীপ সিংহনা চনখিবা গোলনা ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথরিবা সুলটান অজলান শাহ কপ হোকি টুর্ণামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ন্যু জিলেন্দবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখ্রে।





ইন্দিয়াগী অহানবা গোল অদু অনীশুবা ক্বার্টরদা মন্দীপনা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখি। অদুগা হরমনপ্রীটনা পেনালটি কোর্নর অনী গোল ওন্থোকখিদুনা ইন্দিয়ানা মহাক্কী অহানবা মেচতা দ্রো চৎখিদুনা নিংবা কায়খিবা অদু শাফখি।

মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা ন্যু জিলেন্দনা মতিং লৈনা শান্নরকখিদুনা ইন্দিয়াগী গোলকিপর পি আর শ্রীজেশতা শাফু কল্লবা বোলশিং থোমজিন্দুনা গোল ওন্থোক্লবা হোৎনখ্রবসু শ্রীজেশনা সেফ তৌখি। ন্যু জিলেন্দনা মেচকী অহানবা মিনিট ১৫ দা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা ইন্দিয়ন স্কিপরনা নিংথিনা সেফ তৌখিদুনা গোল চলহনখিদে।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ক্বার্টর অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। মখোয়না ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা অতৎ-অখম লৈতনা এটেকশিং তৌখি। মন্দীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ২৪ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। গোল অদু চীংলেনস্নানা পীরকখিবা পাস অমদা মন্দীপ সিংহনা ওক্লগা ন্যু জিলেন্দগী গোল পোষ্ট মনুংদা কনশিনখিদুনা চনখিবনি।

মিনিট ৩ গী মতুংদা হরমনপ্রীট সিংহনা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ইন্দিয়ানা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা হরমনপ্রীটনা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৩-০ দা লৈখি।

ইন্দিয়ানা অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। মখোয়না ফংখিবা খুদোংচাবা অদু লৌরগা গোল এটেম্পশিং তৌখি। অদুবু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। মখা তানা ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা কিরিগী সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অনী ফংখি। মদুদা হরমনপ্রীট অমদি গুরপিন্দর পাল সিংহনা কনখিবদা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবা ইন্দিয়ানা অহেনবা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। ন্যু জিলেন্দসু মখা তানা ইন্দিয়াগী সাইদতা এটেকশিং তৌখ্রবসু গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ানা মেচ মায় পাকখিবা অসিনা হৌজিক ফাওবদা ফংখিবা মেচ অনীদা অমনা দ্রো চৎখিবা য়াওনা অপুনবা পোইন্ট মরি ফংখি।

পনবা য়াই, সুলটান অজলান শাহ কপ হোকি টুর্ণামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী ওপনিং মেচতা গ্রেট বৃটেনগা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি।

ইন্দিয়াগী গোলশিং অদু ষ্ট্রাইকর অক্সদীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা অমদি মন্দীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ৪৭চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। অদুগা গ্রেট বৃটেনগী গোলশিং অদুনা টোম কার্সননা মেচকী মিনিট ২৫ অমসুং অলান ফোরসীথনা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

ইন্দিয়াগী মনপ্রীট সিংহ সেনিয়রনা গোল অনী অদু চনবদা চাউনা মতেং পাংখিবদা নত্তনা টিমগী মশক থোক্লা প্লে শান্নখিবা শান্নরোয় অমা ওইখি।

অমরোমদা, ২৬শুবা সুলটান অজলান শাহ কপ হোকি টুর্ণামেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ন্যু জিলেন্দ অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়া অনীনা গোল ১-১ দ্রো চৎখি।

ন্যু জিলেন্দগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা দোমিনিক ন্যুমেননা চনখি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল অদুনা টোম ক্রাইগনা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা চনখি।

অতোপ্পা ওপনিং মেচ অমদা জপান অমদি য়ুম্ন মালেসিয়া অনীনা ১-১ দা দ্রো চৎখি।

মালেসিয়াগী গোল অদুনা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা রাজি রহিমনা গোল ওন্থোকখি। অদুগা জপানগী গোল অদুনা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা শোটা য়ামাদানা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

# চেন লোংনা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌখ্রে

ৱুহান, এপ্রিল ৩০ :

চিনাগী চেন লোংনা মফম অসিদা চথখিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা মরিশুবা সীদ অমদি মহাক্কী কম্পেট্রিওট লি দানবু মিনিট ৮০ চঙনা শান্নখিবা কন্টেষ্ট অদুদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।



অমরোমদা, নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা টাই জু য়িংনা অকানে য়ামগুচিবু ১৮-২১, ২১-১১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা চেন লোংনা মহাক্কী কম্পেট্রিওট লিন দানবু ২১-২৩, ২১-১১, ২০-১০ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

লোংনা মেচ অদুদা দানগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসরশিং মায়োক্নদুনা শান্নখি। অদুবু লোংনা হেন্না মতিং থোক্না পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা দানবু নম্নৎখি।

অহানবা গেম অদু মখোয় অনীনা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা কৃক-কৃক ইন্ননা চৎখি। লিন দাননা গেম অদু লোইরমদাই মতমদা পোইন্ট ২ থংন-থংননা লৌবা ঙমখিদুনা ২১-২১ দা লৈখি। চেন লোংনা মথংগী সেট অনীদা দোমিনেট তৌনা শান্নখি। অনীশুবা সেটতা ২-২ দা লৈখি। অহুমশুবদসু মহাক্না মাঙজিল থানা চৎখিদুনা ১-১ দা লৈনখি। মেচ অদুদা চেন লোংনা থংন-থংননা পোইন্ট ৭ লৌখি অমদি মায়োক্নখিবা কম্পেট্রিওটপু লাকচনা তৌখিদুনা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল অদু মিনিট ৫৯ চঙনা শান্নখিদুনা টাই জু য়িংনা জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু মায়থীবা পীখিবনি। টাই জু য়িংনা দিসাইদিং গেমদা ৯-৯ দা লৈনখ্রবসু মখা তারকপদা মাঙজিল থাখি অমদি মহাক্না দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

নুপীগী দবলস ফাইনেলদা জপানগী মিসাকি মাটসুটোমো অমদি অয়াকা টাকাহাসিনা সাউথ কোরিয়াগী হয়ে রিন কিম অমদি য়ু হে ৱোনবু ২১-১৯, ১৬-২১, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মিক্স দবলস ফাইনেলদা লু কাই অমদি হুআং য়াকিওংনা দিচাপোল পুভারানুক্রোহ অমদি সাপসিরী টারাটনাচাইবু ২১-১৮, ২১-১১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

মেন'স দবলসতা লি জুনহুল অমদি লিয়ু য়ুচেননা হুআং কাইজিয়াং অমদি ৱাং য়িলয়ুবু ২১-১৪, ২১-১২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই, টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা পি ভি সিন্ধু অমদি অজয় জয়ারামনা য়াম্না ঙন্না টুর্ণামেন্ট অসিদগী মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

# শিভনা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মে ২ দা থিন্নগনি

টাশকেন্ট, এপ্রিল ৩০ : টাশকেন্টনা য়ুম্ন ওইদুনা চথবা হৌখ্রবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ভিকাস কৃষ্ণন অমদি শিভা থাপা য়াওনা বোক্সর মরিনা সিদিং ফংখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়ন বোক্সর পুম্নমক্না অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর শিভা, সটিশ, মনোজ, মনিশ পানৱার (কেজি ৮১) অমদি কাভিন্দর সিংহ (কেজি ৪৯) না মখোয়গী কেম্প্যেনশিং মে ২ দগী হৌগনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্চ মেদলিষ্ট অমদি এসিয়ন মীটকী অনীরক মেদল লৌখ্রবা শিভা থাপানা মহাক্কী অহানবা কেম্প্যেনদা কির্গিজষ্টানগী অমুরবেক মালাবেকোভ অমদি কোরিয়াগী হেজু চোই অনীগী মরক্তা শান্নগদবা বাউটতগী মায় পাকপা বোক্সর অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

সটিশনা মোঙ্গোলিয়াগী য়েৰ্বোলাট টুলয়েক অমদি কজাখষ্টানগী কামশিবেক কুনকাবায়েভ অনীগী মরক্তগী মায় পাকপা অদুগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

মনিশনা শ্রী লঙ্কাগী অন্থাগাসাঙ্গে গুনারাথনাগা মায়োক্নগনি। মনোজনা অফঘানিষ্টানগী অলাহ রাহিনিগা শান্নগনি। কভিন্দরনা ইন্দোনেসিয়াগী অলদোমস সুগুরোগা শান্নগনি।

কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা অরোইবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা মেদল ৪ লৌবা ঙমখি। মদুদা ভিকাসনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা শিভা থাপা, দিবেন্দ্রো সিংহ অমদি সটিশ (কেজি ৯১ মথক) না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা এসিয়ন মীট অসিগী কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মেদল অদু শিভা থাপানা লৌখি। কুমজা ২০০৯ গী এদিসনদনা এম সুরঞ্জয় সিংহ (কেজি ৫২) না গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

# আই পি এল : কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা দেল্লি দিয়রদেভিলসপু ৱিকেট ১০ দা লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে





মোহালি, এপ্রিল ৩০ :

হৌজিক চথরিবা এদিসন অসিগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) কী য়াম্না পুক্লিং নুংশিনিঙাই ওইবা বেট্টিং পার্ফোর্মেন্স অমদা দেল্লি দিয়রদেভিলসনা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ৬৭ খক্তমক লৌরগা কিংস এলেবেন পঞ্জাবকী মখুৎতা ৱিকেট ১০ দা মায়থীখ্রে।

মফম অসিগী পঞ্জাব ক্রিকেট এসোসিএসনগী ষ্টেদিয়মদা চথখিবা মেচ অদুদা কিংস এলেবেন পঞ্জাবকী সন্দীপ শর্ম অমদি মার্টিন গুপ্টিলনা দেল্লি দিয়রদেভিলসপু নৈখোয়খিদুনা মায়থীবগী লম্বীদা চিংশিনখি।

টোস ঙমখিবা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা অহানবা ফিল্ডিং খনখিদুনা দেল্লি দিয়রদেভিলসনা বেট্টিং তৌখি। মখোয়গী বেট্টিংদা ওভর ১৭.১ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ৬৭ খক্তমক লৌরগা কিংস এলেবেন পঞ্জাবকীদমক টার্গেট রন ৬৮ খক্তমক পীরমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা মখোয়গী টার্গেট রন লৌননবা তানখৎখিবদা ওভর ৭.৫ দা ৱিকেট অমত্তা তুদনা রন ৬৮ লৌদুনা দেল্লি দিয়রদেভিলসপু ৱিকেট ১০ দা মায়থীবা পীখি।

দেল্লি দিয়রদেভিলসনা মখোয়গী বেট্টিং দিপার্টমেন্টতা অশোয়বশিং লৈখিদুনা বেটসমেন অমত্তনা রন ২০ গী মথক্তা লৌবা ঙমখিদে। মখোয়গী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইনা কোরে এন্দরসননা বোল ২৫ দা রন ১৮ লৌখি।

রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা মমাঙদা রন ৪৯ খক্তমক লৌবা ঙমখিবা অদুগী মতুং ঙসি লৌখিবা রন অসিনা খ্বাইদগী নেম্না অনীশুবসু ওইরি।

দেল্লি দিয়রদেভিলসকী লৈখা তারবা বেট্টিং উবদা মখোয়গী কোচ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শিংথানরবা বেটসমেন অমা ওইরিবা রাহুল দ্রাভিদকী নিংবা কায়বা ওইখি। শোত্তুনা লৈরিবা জহির খাননা ঙসিগী মেচ অদুদা শরুক য়াখিদে। টিম মেনেজমেন্টনা কারুন নায়রবু স্কিপর ওইনা হাপখি।

নায়রনা মহাক্কী টেষ্ট ক্রিকেটতা ট্রিপল হন্দ্রেদ লৌখিবা অদুদগী ফোর্ম তাদনা লাকখিবনা মহাক্কী কলিগশিংনা থাজবা থমখিদে। দিয়রদেভিলসকী সঞ্জু সামসননা রন ৫, কেপ্টেন কারুন নায়রনা রন ১১, শ্রিয়াস আয়রনা রন ৬, রিশাভ পন্টনা রন ৩, ক্রিস মোরিসনা রন ২ কাগিসো রবাদানা রন ১১, অমিট মিশ্রানা রন ৪, মোহম্মদ শামিনা রন ২ লৌখি। মখোয়গী বেটসমেন অমত্তনা ৱিকেট লৌবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ইন্নিংসতা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা মখোয়গী টার্গেট রন লৌননবা তানখৎখিবদা মার্টিন গুপ্টিলনা বোল ২৭ তা বাউন্দরি ৬ য়াওনা সিক্স ৩ লৌরগা নো আউটতা লৈদুনা রন ৫০ অমদি হাসিম অমলাসু নো আউটতা লৈদুনা বোল ২০ দা রন ১৬ লৌরগা টিমবু মায় পাকহনখি।

কিংস এলেবেন পঞ্জাবকী বোলর সন্দীপ শর্ম্মনা ওভর ৪ দা রন ২০ পীথোক্লগা ৱিকেট ৪ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা বোলর ওইখি।

অক্সর পটেল অমদি পারুন আরোননা ৱিকেট ২/২ অমসুং মোহিট শর্ম্ম অমদি গ্লেন্ন মাক্সৱেলনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

# অনাস, কর্হানানা এসিয়ন এথলেটিক্স গ্রান্দ প্রি মীটতা গোল্ড মেদল লৌখি, ইন্দিয়ানা মেদল ৮ ফংখি

টাইপৈ সিটি, এপ্রিল ৩০ :

নেসনল রেকোর্দ হোল্ডর ক্বার্টরমাইলর মোহম্মেদ অনাস অমসুং শোট পুট্টর ওম প্রকাশ কর্হানানা মফম অসিদা চথরিবা এসিয়ন এথলেটিক্স গ্রান্দ প্রি মীটকী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা নুমিৎকী কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌখি।









ইন্দিয়ানা চেম্পিয়নশিপ অসিদা অপুনবা মেদল ৮ ফংবা ঙমখি। চাইনিজগী সিটি অনীদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গ্রান্দ প্রিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লেগতা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়ন টিমগীদমক খনগৎখ্রবসু ভিজা ফংখিদবদগী শরুক য়াখিদবা অনাসনা ৪৫.৬৯ সেকেন্দ য়াংনা চেন্দুনা সিজন অসিগী মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনল মীটতা গোল্ড মেদল লৌখি।

মহাক্না চেনখিবা টাইমিং অসি আই এ এ এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী এন্ট্রি মার্ক ওইরিবা ৪৫.৫০ সেকেন্দদগী তাথনা চেনখি। অনাসকী ঙসি চেনখিবা টাইমিং অসি মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা অহুমশুবসু ওইরি। মহাক্না মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অনীদা ৪৫.৪০ সেকেন্দ অমদি ৪৫.৪৪ সেকেন্দ চেন্দুনা মথংশিংনা নেসনল রেকোর্দ অমদি ৱিন্নর ওইখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেদলনা ভিয়েটনামগী কোং লিচনা ৪৬.৬৬ সেকেন্দ চেন্দুনা ফংখি। অদুগা কজাখষ্টানগী মিখাইল লিটভিননা ৪৭.০৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপাগী শোট পুটতা কর্হানানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা মশক থোক্না মিটর ১৯.৫৮ শান্না লংখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

মতম কুইরবগী মতুংদা কর্হানানা মহাক্কী অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লবসু ওইখি।

চিনাগী ৰু জিয়াজিংনা মিটর ১৯.২১ লংদুনা সিলভর অমসুং ইরানগী অলি সমারিনা মিটর ১৮.৬৮ শান্না লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা অহানবগী লেগ অনীদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। কুমজা ২০১২ দগী মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা থ্রো অসি মিটর ২০.৬৯ ওইখিবনি।

নুপীগী শোট পুট্টর মনপ্রীট কৌর, নুপীগী মিটর ৮০০ গী রন্নর টিন্টু লুকা, নুপীগী মিটর ৮০০ গী রন্নর জিন্সন জোন্সন অমসুং নুপীগী মিটর ১০০ গী রেসর দুটি চান্দনা সিলভর মেদলশিং লৌখি। অদুগা নুপাগী জেভলিন থ্রোনা মিরাজ চোপ্রা অমদি নুপীগী মিটর ৪০০ গী রেসর এম আর পূভাম্মানা ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌখি।

শোট পুট্টর মনপ্রীট কৌরনা এসিয়ন গ্রান্দ প্রিগী অহানবা লেগতা মশাগী নেসনল রেকোর্দ থুগায়দুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। অদুবু ঙসিগী কম্পিটিসনদা মিটর ১৭.৩৮ লংদুনা সিলভর মেদল লৌখি।

চিনাগী সোং জিয়ায়ুননা মিটর ১৭.৪৬ লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। সোং জিয়ায়ুননা অনীশুবা লেগতা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা নেসনল রেকোর্দ হোল্ডর লুকানা ২:০৩.৯৭ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর মেদল ফংখি। শ্রী লঙ্কাগী গয়ানথিকা টুশারিনা ২:০৩.৮৭ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌখি। লুকানা অহানবগী লেগ অনীদা সিলভর মেদলশিং লৌখি।

নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা জিন্সন জোন্সননা ১:৫১.৩৫ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর মেদল লৌখি। মহাক্না অহানবা লেগতসু সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা অনীশুবা লেগতনা নিপানশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী মরিশুবা সিলভর অদু দুটি চান্দনা মিটর ১০০ গী নুপীগী লমজেলদা লৌখি। মহাক্না ১১.৫২ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। দুটিনা অহানবা লেগতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি অদুগা অনীশুবা লেগতনা সিলভর মেদল লৌখি।

জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর জেভলিন থ্রোৱর নিরাজ চোপ্রাগী নিংবা কায়বা অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা জেভলিন থ্রোদা মিটর ৭৯.৯০ শান্না লংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

চোপ্রানা অনীশুবা লেগতা মিটর ৮৩.৩২ শান্না লংদুনা সিলভর মেদল ফংখিবগা লোয়ননা আই এ এ এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাইয়র ওইখিবনি। মহাক্না অহানবা লেগতসু সিলভর মেদল ফংখি। চোপ্রানা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ৮৬.৪৮ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ব্রোঞ্জ মেদল অদু নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা পূভাম্মানা লৌখি। চেম্পিয়নশিপ অসি মহাক্না অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবনি।

মহাক্না অহানবা অমদি অনীশুবা লেগতা ইন্দিয়া টিমগীদমক খনগৎখ্রবসু ভিজা ফংদবদগী শরুক য়াখিদে। ইন্দিয়ানা এপ্রিল ২৪ দা পাঙথোকখিবা অহানবা লেগতা গোল্ড মেদল অমা, সিলভর মেদল মরি অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অনী পুন্না মেদল ৭ লৌখি। অদুগা এপ্রিল ২৭ তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা লেগতনা গোল্ড মেদল অমা, সিলভর মেদল ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল ৬ লৌখিবনি।

# ক্রিষ্টিনা মলাদেনোভিককী মখুৎতা মারিয়া শারাপোভা মায়থীহৌরে

ষ্টুটগার্ট, এপ্রিল ৩০ : আইন্না থিংখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরম্বগীদমক থা ১৫ অথিংবা থমখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা কোর্টতা হল্লকখিবা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মারিয়া শারাপোভানা মফম অসিদা চথরিবা ষ্টুটগার্ট গ্রান্দ প্রিগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ফ্রান্সকী ক্রিষ্টিনা মলাদেনোভিককী মখুৎতা ৩-৬, ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

গ্রান্দ স্লাম মঙারক ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাইল্ডকার্দ ইন্ট্রেন্ট শারাপোভানা মেচ অদুগী অহানবা সেট অদু ৬-৩ দা মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা সেটতা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখিবা চৈরক্তা মলাদেনোভিকনা নিংথিনা খুৎ হন্দুনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা পুং অহুমগা মিনিট ৩৮ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা শারাপোভাবু নম্নৎখি।

চয়োল অসিদা অহানবা ওইনা কোর্টতা হল্লকখিবী শারাপোভানা মমাঙগী মেচ অহুমদা সেট অমত্তা মায়থীদনা চঙশিল্লকখিবনি। মহাক্না মায়থীখিবা অসিনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোক্কদৌরিবা দল্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা টোপ ২০০ গী মপানদা লৈরগনি। করিগুম্বা মহাক্না ফাইনেল ফাওবা চঙ্বা ঙম্লম্লবদি টোপ ২০০ গী মথক্তা লৈরমগদবনি। হৌজিক মহাক্না লাক্কদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগীদমক ক্বালিফাইয়রগী মফম ফংবা ঙম্লরোই।

কুমজা ২০১৬ কী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন চথরিঙৈ মনুংদা শারাপোভাবু দোপ টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংখ্রবা মেলদোনিয়ম শিজিন্নরম্বগী খুদম-চাংদম ফংখিবদগী অথিংবা মায়োক্নখিবনি।

শারাপোভানা লাক্লিবা রোম অমদি মেদ্রিদকী টুর্ণামেন্টতা শরুক য়ানবগীদমক ৱাইল্ডকার্দ ফংখ্রে। রসিয়ন অসিনা মেচ হেক হৌখিবগা কন্ট্রোল তৌনা চৎখি। মহাক্না ফ্রেঞ্চকী ওপোনেন্টপু মমিৎ থকৎহন্দুনা নম্নৎনা শান্নখি। মহাক্না অহানবা সেট অদু ৪-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

ষ্টুটগার্টকী অহুম্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রসিয়ন অসিনা অনীশুবা সেট হৌগৎলকপদা নিংথিনা শান্নদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎলমখি। অদুবু মলাদেনোভিকনা মহাক্কী বেজলাইন গেম অদু মতিং থোক্না শান্নরকখিদুনা শারপোভাবু লাকশিনখি। মলাদেনোভিকনা মখা তানা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা ব্রিক পোইন্ট অহুম লৌখিদুনা ৬-৫ দা মাঙজিল থাখি। সেট অদু মহাক্না ৭-৫ দা মায় পাকখি।

অহুমশুবা সেটতা ফ্রেঞ্চকী নুপী অসিনা ৪-২ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মশাগী চহী ২৩ শুরবী ৱর্ল্ড নম্বর ১৮ শুবদা লৈরিবী অসিনা রসিয়নগী মায়োক্তা অথুবা সার্ভিসশিং পীখিদুনা শারাপোভাবু নম্নৎলম্লগা মায় পাকখি।

পনবা য়াই, মারিয়া শারাপোভানা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইষ্টোনিয়াগী ক্বালিফাইয়র অনেট্ট কোন্টাৱৈটপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

হৌজিক রেঙ্ক নেম্না লৈরিবা শারাপোভানা ষ্টুটগার্টকী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙম্লবদি রেঙ্কিং ২০০ গী মথক্তা কাখৎলক্তুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈরি। মহাক্না করিগুম্বা মেদ্রিদ অমদি রোমগী টুর্ণামেন্টতা নিংথিনা শান্নবা ঙম্লবদি ৱিমব্লেদনগী মেইন দ্রো চঙবা য়াবগী ওইথোকপা লৈগদৌরি।


# বর্সেলোনা ওপন : রফেল নদাল অমসুং দোমিনিক থিয়েমনা টাইটলগীদমক লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি

বর্সেলোনা, এপ্রিল ৩০ :

রফেল নদালনা মফম অসিদা চথরিবা বর্সেলোনা ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টাইন হোরাসিও জেবালোসপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী তরারকশুবা ওইনা টাইটল লৌননবা খোঙফম শেমখ্রে।

নদালনা অনসীদেদ জেবালোসপু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা শান্নখি। প্লেয়র অনীগী মরক্তা চাউনা খেন্নবশিং লৈখি। নদালনা মহাক্কী শাফু কল্লবা শুটশিং শিজিন্নদুনা ওপোনেন্টপু লাকশিন্না শান্নখি।

জেবালোসনা সেকেন্দ সেটকী মরিশুবা গেমদা ব্রিক পোইন্ট অনী লৌখি। অদুবু ১৪ রক গ্রান্দ স্লাম ৱিন্নর ওইখ্রবা নদালনা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু মিনিট ৯৪ চঙনা শান্নখিবা অদুদা নম্নৎখি। মহাক্না টাইটল ক্লাশতা দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।





পনবা য়াই, মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা অর্জেন্টিনা ওপনগী সেমী ফাইনেলদা থিয়েমনা রফেল নদালবু মায়থীবা পীখিবনি। হয়েংগী মেচ অসি রফেল নদালগীদি লম্মন খুন্বা ওইনা থোক্কদৌরি।

অমরোমদা, ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেবু ৬-২, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

কুমজা ১৯৯৬ কী ক্লে কোর্ট টুর্ণামেন্টতা ফাইনেল চঙখিবা থোমাস মষ্টরগী মতুংদা থিয়েমনা অহানবা ওষ্ট্রিয়ন অমনা ওপন অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা প্লেয়র ওইখি।

থিয়েমনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনসু এন্দি মরেবু মায়থীবা পীখিবা ওইরি।

পনবা য়াই, রফেল নদালনা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অনসীদেদ সাউথ কোরিয়াগী চুং হয়েওনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা তরারকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থমখিবনি।

অর্জেন্টাইন জেবালোসনা রসিয়াগী কারেন খাচানোভপু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

নদালনা বর্সেলোনা ওপনদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল খুদিংমক মায় পাকখি অমদি মহাক্না হন্দক্কী অসিদা মায় পাক্তুনা তরারকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লিবনি।

ৱর্ল্ডনম্বর ৱান এন্দি মরেনা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা স্পেনগী অলবার্টরামোস ভিনোলাসপু ২-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৪) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা মরেনা মোন্টে কার্লো মাষ্টর্সতা স্পানিয়ার্দ অসিনা মায়থীবা পীরমখিবা অদু ঙরাংগী মেচ অসিদা লমন খুমদুনা মায় পাকখি।

দোমিনিক থিয়েমনা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, অহুমশুবা সীদ রফেল নদালনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কেভিন এন্দরসনবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেসু মহাক্কী খুনিংগী অনাবা লৈখিবদু ফগৎলকপদগী ওপন অসিদা শরুক য়াদুনা স্পানিয়ার্দ ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & MARKS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

PLZ Contact: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School. old Campus Imphal.

NOTE: : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No. : 9856363129, 9615706900 , 7085715427,8974084294 ,

HL-P/1397/22 Apr.-22 May